# ঈশ্বরনা করি পামই হায়বা নহাক করম্না খঙদোকপা ঙমগনি

*বাইবল অসিদা মরু ওইবা পাও করি য়াওই?* (১)

*বাইবলগী লেখক কনানো?* (২)

*করিগীদমক নহাক বাইবল নৈনগদৌরিবনো?* (৩)

১. বাইবল অসি ঈশ্বরদগী মমল য়াম্লবা খুদোলনি। মসি কনাগুম্বা নুংশি হৈরবা মপা অমনা মহাক্কী মচাশিংদা থাবা চিঠি অমগুম্বনি। মসিনা ঐখোয়দা ঈশ্বরগী ওইবা অচুম্বশিং—মহাক কনানো অমসুং মহাক্না করিগীদমক্তা লেপ্লিবগে তাকপি। মসিনা সমস্যাশিং করম্না মায় পাক্না থেংনগনি অমসুং অচুম্বা নুংঙাইবা করম্না ফংগনি শন্দোকনা তাকই। ঈশ্বরনা পেন্বিনবা ঐখোয়না করি তৌবা তাবগে হায়বদু ঐখোয়দা বাইবল খক্তনা খঙহল্লি। —লাইশোন ঈশৈ ১:১-৩; য়সাইয়া ৪৮:১৭, ১৮.

২. বাইবল অসি খৃষ্টগী মমাঙ ১৫১৩ দগী হৌরগা, চহি ১৬০০ মুক চংনা তোঙান-তোঙান্বা মীওই ৪০ মুক্না ইরম্বনি। মসি অপীকপা লাইরিক ৬৬ না পূনশিল্লগা শাবনি। বাইবল ইরম্বা মখোয়শিংদু ঈশ্বরনা ৱাখল ইথিল হাপ্পীরমখ্রবশিংনি। মখোয়না মশা মশাগী ৱাখল নত্তনা মহাক্কী ৱাখলদু ইথোকলমখি। মরম অদুনা স্বর্গদা লৈরিবা ঈশ্বর মহাকখক্তনা বাইবলগী লেখকনি, পৃথিবীদা লৈরিবা কনাগুম্বা মীওইবা অমত্তা নত্তে।—২ তিমোথি ৩:১৬, ১৭; ২ পীতর ১:২০, ২১.

৩. বাইবল অসি চপ চানা শিন্দোক্ননবা অমসুং মাঙহন্দনা থম্ননবা ঈশ্বরনা শোয়দবা ৱাফম থম্বীরমই। লাইরিক অতৈদগীদি বাইবলনা মশিং য়াম্না হেন্না নমখ্রে। নহাকনা বাইবল নৈনবসি মীপুম খুদিংমক্না নুংঙাইগদবদি ওইরোই, তৌইগুম্বসুং মদুনা নহাকপু তোকহন্বদি তৌগনু। নহাক্কী লোম্বা নাইদ্রবা তুংগী পুন্সি অদু নহাক্না ঈশ্বর খঙজবদা অমসুং অয়েৎপা অথিংবা কয়া লৈনা লৈনা মহাক্কী অনীংবা তৌজবা অদুগী মখা পোল্লি।—মাথি ৫:১০-১২; য়োহন ১৭:৩.

